**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-04-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী নুপী কর্ম্মচারিশিং অমদি চহি ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাং লৈবা, মথন্তা লৈবা নুপা কর্ম্মচারিশিংদা সেন্ত্রেল গভরমেন্স চাইল্ড কিয়ার লিভ চৎনহন্নবা অয়াবা পীখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা গভনর ইন কাউন্সিলগী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

রাজ্যগী ফাইনান্সকী কন্মিস্নার-এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙরাং পাঙথোকখিবা গভনর ইন কাউন্সিলগী মীফম অদুনা নুপী কর্ম্মচারিশিংনা অঙাং উন্নরবা মতুংদা ইকুই কুইদনা অঙাং অদু লৈখিদবা থোক্লবদি নুমিৎ ৬০ নিগী স্পিসিএল মেটরনিতি লিভ পীবদসু মীফম অদুনা অয়াবা পীরে হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী চীং অমসং তমগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তৈজাং ভিলেজতা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা করবাইন মেছিনগন অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, রোকেট লোঞ্চর অমা, মোটার অমা, পোম্পী অমা, নাইন এম.এমগী মরু তরা, মোরটার বোম তরা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল চিংশাং পরেংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এমগী মরু তরা, ৱয়ারলেস সেট অমা ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ফকং শঙ্গোমশঙ খুলদগী কে.সি.পি.

(সিটি মীতৈ) গী মীওই অমা ফাগৎখি। জিলা অসিগী শওম্বুং কবুই খুনজাউ লেন্দ নম্বর ফোরদগী লুপ অসিগী মীওই অমসু ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চেকশাবী পাৎতা লৈবা ফার্ম হাউস অমদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা পাউবীতেক লমখায়দগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ ফংখি।

সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ওর্কিট ফার্ম মনাক্তগী আর.পি.এফ-পি.এলগী মীওই অমা ফাগৎখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী রিমস হোস্পিতালগী জ্‌ল্লি গেট মনাক্তগী য়ু.এন.এল.এফ (পি) গী মীওই অহুম ফাগৎখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লাখ অমা লিশিং ১৩,৯১০ ফংখি।

**বন্দ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দোনা ফারবা মতুং থা অসিগী ১৩ দা জ্‌দিসিএল কষ্টদিদা লৈখিদবা খুরাইদগী খোইস্নাম সনাজাউবগী মীশিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অমদি অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোকবা তকশিনদুনা জে.এ.সি. এগেনষ্ট দা কষ্টদিয়ান দেদ ওফ খোইস্নাম সনাজাউবনা কৌবা পুং ২৪ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীরে। হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী কৌখিবা পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মরম ওইদুনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল কানরকপগী চাং কা হেন্না হন্থরে। ইম্ফাল য়ৌরক্কদবা পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেন্নদ্রে।

বন্দ অসিনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈবদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ সব সেক্সন (টু) গী মখাদা জিলা অসিগী অকোইবদা মী মঙাদগী হেন্না পুনবা য়াদবা, অশোক অপন থোকহনবা য়াবা খুৎশু খুৎলায়শিং পুদুনা

চৎপদা অথিংবা থমলে হায়না জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**মীসন (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা কয়া কলব ২০২৩-২৪ অমসুং ২০২৪-২৫ মায় পাক্লবশিং তরামা ওকপগী থৌরম অমা লমশাংদা লৈবা আর.দি.ও. কলেজ ওফ নর্সিংদা ঙসি পাঙথোক্লগনি।

**মীতিং ঃ** জম্মু কাশ্মিরগী পাহলগাম তেরর এটেক চথখ্রবা মতুংদা সরকারনা করি থৌরাং পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা দল পুমমক্কী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোক্কুনা ৱাফম কয়া কুপা খন্নখ্রে।

টেরোরিষ্টশিংনা চথরকপা থবক থৌরমশিং থেংননবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়বা ৱাফম মীফম অদুদা য়ান্নখি। মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-সরকারনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা চথবা থবক থৌরম খুদিংমক দলগী খেৎনবা লৈতনা শৌগৎকনি হায়না অতৈ দলগী মীহুৎশিংনা থাজবা পীখ্রে।

মীফম লোইরবা তুংদা, লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়-পাহলগাম তেরর এটেক চথবদা মীওই কয়া শিখিবা অদু য়ামা নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। সরকারনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা খোঙথাং খুদিংমক কংগ্রেসনা শৌগৎকনি হায়না শ্রী রাহুল গান্ধিনা ফোংদোকখ্রে।

অমরোমদা, বিহারগী মধুবানি জিলাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পঞ্চায়েতি রাজ নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম টেরোরিজমনা কৈদৌঙৈদা মাঙহনবা ঙমলে। লৈবাক অসিদা চথরকপা টেরোরিজমগী থবক খুদিংমক সরকার অসিনা থেংনগনি। টেরোরিজমগী থবক থৌওং চথরকপদা চেন্নরিবা পুমমক সরকার অসিনা কৈদৌঙৈদা ঙাকপীরোই। মহাকা হায়-

**মেট ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অৰাং নোংপোক লমদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অহুম অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

সিক্কিম, অসাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেস, নাগালেন্দ, মিজোরাম, মনিপুর অমসুং ত্রিপুরাদা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২১ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৭ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি থা অসিগী ২৭ কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিংদা চাইল্ড কিয়ার লিভ নুমিৎ ৭৩০ পীবদা অয়াবা পীখিবা, পাহলগাম এটেক্কা মরী লৈননা য়ুথ কংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভনর ইন কাউন্সিলগী মীফমনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিংদা চাইল্ড কিয়ার লিভ নুমিৎ ৭৩০, স্পিসিএল মেটরনিতি লিভ নুমিৎ ৬০ পীবা য়াখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা

মওংদা হেদলাইন পীরদুনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা পাহলগাম ভিক্তিমশিংগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়না কংগ্রেসনা ইরাং হৌরকখ্রে। কাশ্মির তেরর এটেক বি.জে.পি. লৈঙাকা স্পোন্সর তৌবনি হায়না য়ুথ কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাহলাগাম টেরোরিষ্ট এটেক : গভরমেন্টকী ফিরেপতা পার্টি খুদিংমকা শৌগৎকদৌরি হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। এস.বি.আই. রিৱার্ড কৌবা মালৱয়ার স্কামনা ৱাটচেপ গ্রুপতা লেপ্তুনা লান্দারক্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কামজোংদা কুকি খুল অনি মৈ থাখিবদু এন.এস.সি.এন. (আই.এম) গা মরী লৈনদে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

চহিসিদা লামৈ চাকপগী থৌদোক পুন্না লিশিং ৭,৭১৪ থোকখি। লামৈ চাকপা, উমং কোকপা মতম চানা খঙলগনি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.পি. বিমোলনা ৱেদলেন্স কঞ্জারভেসন এন্দ মেনেজমেন্ট রুলস-২০১৭ গী মখাদা মনিপুরগী লোক্তাক পাৎ য়াওনা ৱাটর বোদি অমত্তা য়াওরমদ্রে ফোংদোরকখিবগী খোঙ্গুল লীরুরে, চহি ১৫ গী মমাংদা রমসর সাইট ওইখ্রবা লোক্তাক পাৎ ফাওবা ৱেটলেন্দনি হায়দুনা নোটিফাইদ তৌরমদ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা ইরাং লৈবনা মরম ওইরগা মিজোরামগী ঙমখৈ পরিংদা দ্রগ লল্লোনফম লম্বী ওল্লে। মিজোরামদা দ্রগ ফাবগী কেসশিং য়ামা হেনগৎলক্লি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ওন লাইন প্রোপরতি টেক্স কৌবা প্লেটফোর্ম অমা ঙরাং রাজ্য অসিদা হৌদোকখিবগী পাউ হম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

কামজোমগী আরসোনদা থোকখিবা থৌদোক্তা নাগা আর্মি চেন্নে হায়বগী পাউ নাগা আর্মিগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়না গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর য়ুথ কংগ্রেসনা পাহলগাম টেরোরিষ্ট এটেক্কা মরী লৈননা ইম্ফালদা প্রোটেষ্ট তৌখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।